থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

শুমাঙ লীলা'দা ঐখোয়গী মীৎয়েং হোংদোকসি

২০২০ ফেব্রুৱারী ১৮, মুম্বাইগী ছত্রপতি সিবাজি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট'তা হেক লেন্দিং তৌখিবা পুংজা, নুংথিলগী পুং অহুম-মখায়-মরিমুক তারন্নগনি ঐগী নুংশিরবা মরুপ অমনা ইম্ফালদগী ফোন তৌরকখিবদু... 'কদায়-লৈগে'? ঐনা বোম্বে এয়রপোর্ট'তা লৈ হায়রুবদা মহাক্না অঙকপা অমদি অশাওবা অনী য়ান্ননা মহাক্না হায়রকখিবা ৱাহৈশিংদু লোইনমক্তি নীংশিংলি, অদুবু পাউদমসিদদি পনজররোই। ইদৌরিবসি নোভেল নত্তে, তেল্লবা ৱারেঙ অমনি। ঙকখিবনা- মহাক্না লোয়ননা অয়ুক ৱাকিং চৎপদা নাগা-মপালগী চা থকফমদা উন্নরম্বা, শাউনীংখিবনা- উন্নবদুদা ঐহাক্না 'মুম্বাই চৎকনি' হায়দোক্লমদবগী। মহাক্না ঐঙোন্দা ফেব্রুৱারী ১৯দগী থবক অমা তৌবা হৌবীনবা হায়খিবনি। নুমীৎতু নকশিল্লকপা, নুমীৎ মরি-মঙানিতা ঙায়শিল্লক্লবা ফাওবা কনফার্ম তৌরক্তবদুদা, ঐহাক নত্তবা অতোপ্পা অমদা এনগেজ তৌথোকখ্র'মাল্লে খন্দুনা বোম্বেগী মীফম অদু য়াওরগনি কনফার্ম তৌথোকখিবনি। 'হয়েং নুংথিল পুং অনী ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল য়ৌরকপা য়াগদ্রা, হৌজিকমক টিকেৎ থারক্কে'... মাগী ৱাহৈদুদা খনখি- মেট্রর'দু মঙোন্দদি সিরিয়স ওইবা জাৎনি। 'নকশিল্লক্লফাও করিগী সিরিয়স ওইনা হায়রক্তবনো' হংলুবদা হায়রকখি- ৱাফমদু তোপ কনফিদেন্সল ওইবনা, হান্না পাউ হায়দোক্তনা খুদক্তা হায়বই চৎনবী, মমাংঙৈদই চৎনরকই। আই'ম সোরী হায়বা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বে লৈখিদে। তাঞ্জাদুদা ঐগী 'পিক-অপ-কার' এয়রপোর্ট'তা ঙাইদুনা লৈরে- হান্ননা এস এম এস ফংলবনি।

থৌদোক অদু নৌহৌননা তরং তরং নীংশিংলকখি- নহান নোংমাইজীং নুমীৎ, মার্চ ৭, ২০২১ মণিপুরগী 'শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল' হৌদোকপা নুমীৎ- ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন'দা মরমদি, থৌদোক্তু মমাঙ চহীগী শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল'গা মরী লৈননা থোকখিবনি। ফেষ্টিভেলদুদা অথোয়-অহেন মনা ফংনবা লীলা অমত্তা মণিপুরগী শুমাং/লমহাং অমত্তদা উৎনবগী তাঞ্জা ফংখিদ্রবনি। শুমাং লীলা'না শিনফম ওইবা শিল্পী মখোয় খরদুতগী শিনফমদা নত্তে ২০২০ কৌবা চহীদুনা অকনবা চৈথেং পীরমখিবা। কোরোনা ভাইরস, কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংখিদবা শিনফম অমা হায়বা তারবদি পোলিটিক্সনি হায়বা তাই। অদুসু ইলেক্টোরেল পোলিটিক্স তৌদুনা ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিভ ওইখ্রবা মখোয়। মীয়াম্না খম থেংবা অৱা-চৈথেং মায়োক্নদুনা শিবা-চঙবগী লান থেংনরিঙৈ, লান'দুদা শেন্দোং ফংখিবা, কান্নবা লৌখিবনা- মিনিষ্টর হায়বা ফমথোন অদু পায়রিবা মখোয় খরখক। 'শুমাং-লীলা-ইন্দষ্ট্রি' (য়েস, ইট'স এন ইন্দষ্ট্রি)গী শিল্পীশিংনা শিল্লম-শিস্থোং খঙদনা লৈখিবগুম থা খরা, মুম্বাইগী 'বোল্লিৱুদ ইন্দষ্ট্রি'সু ২০২০ মার্চ থাদগী থাবুম কয়া থবক লেপ্তুনা লৈরকখি। হোল্লিৱুদ'তসু অমহানি।

থিংজিল্লুবা শিনশং অমা হাংদোরকপদা, শিনপাংলম্বা শিল্পীশিংনা হরাও মথোয় কাবা মীকূপ অদুমক্কি- মার্চ ৭, ২০২১ নুমীৎয়ুংবা মতুংদা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন'দা ওইখিবা মীকূপশিং। চহী অমগী মতুংদা শুমাং লীলা আর্টিষ্টশিং লীলা-শঙ'দা হল্লক্লে। নুপী-কাঙলুপ তরাতরেৎ, নুপা কাঙলুপ তরানিথোই- পুন্না লীলা কাঙলুপ কুন্নাপন'না শরুক য়াবা লীলা ফেষ্টিভেল! শুমাং-লীলা-এক্টিব ওইদে করম' হায়গনি! লুরিবদি, খুন্নাইসিনসু য়োকখৎপীদবা, লৈঙাক্কী এজেন্সী অমত্তনসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদবা 'নুপী শুমাং লীলা কাঙলুপ'না নুপা খুৎপু-কাঙলুপতগী হেন্না মশীং হেনগৎলকপা অসিনি।

শুমাং-লীলা হায়বা আর্ট ফোর্ম অসিগী মরমদদি পাউদমসিদা ৱাহৈ অমত্তসু পল্লমদবনা ফরনি, পনজরোই। পন্দ' য়াদবা ৱাফম অমখক্তি লীলাসিদা য়াওরিবা ক্যারেক্টর নুপানা শাবা অসিনি। মালেমগী মফম অয়াম্বদা তৌনরম্বা, নুপী-পর্ফোর্মরশিং থোরক্ত্রিঙৈ চৎনরম্বা মতৌদু, মণিপুরগী শুমাং-লীলাগীনা তঙাইফদবা মচল (এলিমেন্ট) অমা ওইখিবা অসিনি। নুপী ক্যারেক্টরশিং অদু অশেঙবা নুপীনা শারক্লবা, 'শুমাং লীলা' ওইররোই। মসিগী মরুওইবা মরম (ৱুত-কোজ) অদুদি- লীলা অসি মফম অমদগী অমদা, নুমীদাংগী মতমদা চৎতুনা শান্নবদা খুদোংচাহন্নবগীদমক্কি। কাইনথঙদা, 'নুপী শাবী' হায়বা এক্টর মখলসি 'ইন্সটিট্যুসন' অমা ওইরকখিবনি। 'নুপী শাবী' হায়বা এক্টরশিং- 'ট্রান্স-জেন্দর' নত্তে। মেল ক্যারেক্টর লৌবা এক্টরশিংদগী হেন্না ৱাংবা-থাক্কী পর্ফোর্মরনি।

অসুম্না ওইরকখিবা আর্ট ফোর্ম অসিগী অতোপ্পা শক্লোন অমা, কুনশুমা চহীচাগী অরোইবা শরুক্তা পুথোক্লকখি- 'নুপী শুমাং লীলা'। শুমাং লীলাগী ফিজিকেল্লি ওপোজিৎ ওইবা শক্লোন- নুপা ক্যারেক্টরশিং অদু নুপী-এক্টরশিংনা শাদুনা পুথোকপা লীলা! খুন্নাইসিগী (মীয়ামগী) দিমান্দদগী শেমগৎলকখিবা নত্তবা! ইন্দিভিজুঅল এক্টর খরনা, মরন্নাই ওইবা অপাম্বদু, মরন্নাই থুংহনজনবা হোৎনদুনা পুথোক্নরকখিবা পর্ফোর্মেন্স অমা! শেমগৎলকখিবদি ফনা কুইরে, মীয়ামগী পূক্নিং খোন্দুনা পুবা ঙম্বা, শুমাং লীলাগুম অয়েংবনা মমল পীদুনা কৌরগা, শুমাংদা/লমহাংদা শান্নহনবগী তানফমদুদি ঙসি ফাওবা লাক্তরি। শুমাং-লীলা হিংহনবদি লৈপাক মীয়ামসিননি। নুপী-শুমাং লীলা হিংলিবা অমদি হিংহল্লিবা- শুমাং লীলা পামজবা, লমদমসিগী ফিমেল এক্টর অমদি মখোয়গী ইমুং মনুং খরতননি।

মণিপুরগী শুমাং-লীলা, ইচম চম্বা পর্ফোর্মেন্স- আর্ট অমা ত্তে, 'আর্ট ইন্দষ্ট্রি' অমনি। ইনভেষ্টর-লৈ, প্রোদ্যুসর লৈ। মরমদি-ইনভেষ্টমেন্ট'তুগী রিতর্ন'সু লৈ। ফোর্মেলাইজ তৌদবগী ৱাতনি। শেল মাঙবা ভেনচর'দা ইনভেষ্টরনা ইনভেষ্ট তৌনিংদে। নীংথিনা প্লান্নিং তৌরগা, মার্কেৎ সর্ভে তৌরগা, পুথোরকপা শুমাং লীলা- কৈদৌঙৈদা মাঙলোইদা ভেনচর-কেপিটেল অমনি। কাউগুমসি।

লৌশিং পুক্কে

হকশেলগা মরী লৈনবা

অরানবা ইনফোর্মেসনশিংদা মীওই খরনা থাজনরিবা করিগীনো?

সোসল মীদিয়া সাইটশিং অসি মীওই কয়াগী ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লফম অমদি মরুপ মপাংশিংগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌননবগী প্লেটফোর্মশিংনি। অদুমওইনমক মখোয় অসি চুমদবা নৎত্রগা অচুম অরান ময়েক শেংনা খঙদবা ইনফোর্মেসনশিংগী মকোলসু ওইবা য়াই। অসিগুম্বা ইনফোর্মেসনশিং অসিগী মনুংদা খরা অমদি হকশেলগা মরী লৈনবশিংনি। হকশেলগা মরী লৈনবা ফিরেপ/ৱারেপশিং লৌনবগীদমক থিজরিবা মীওইশিংদদি অসিগুম্বা অরানবা ইনফোর্মেসনশিং অসিনা লান্না লমজিংহনবা য়াই।

হৌজিক হৌজিক সাইন্টিফিক ওইনা য়ানরবা ৱাফমশিংগী মতুংইন্নদি লানবা, অদুগা অচুম্বনি হায়না থাজনরিবা হকশেলগা মরী লৈনবা ৱাফম খুদিংমকপু 'হেল্থ মিসইনফোর্মেসন' নৎত্রগা হকশেলগা মরী লৈনবা অরানবা ইনফোর্মেসন কৌই। মীয়াম্না ফেসবুক অমদি ত্বিট্টরনচিংবা সোসল মীদিয়া সাইটশিংদা এক্টিভ ওইবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা হেল্থ মিসইনফোর্মেসনগী চাংসু হেনগৎলক্লি।

সিষ্টেমেটিক রিভ্যিু অমনা সোসল মীদিয়াদা লৈবা হেল্থ মিসইনফোর্মেসনদা ফোকস তৌবা ষ্টদি ৬৯বু হন্দক্তা এগজামিন তৌখ্রে। মদুদা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মৈখুগী পোথোকশিং, দ্রগ অমদি ভেক্সিনশিং অমসুং লায়না-তিলনাশিং য়াওনা পব্লিক হেল্থ ইস্যুশিংগা মরী লৈনবা মশিং য়াম্লবা অরানবা হেল্থ কন্টেন্টশিং থেংনখি। হায়রিবা অরানবা ইনফোর্মেসনশিং অদু ত্বিট্টরদনা খ্বাইদগী ৱাংনা থেংনখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী ওৱোরাদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরাদো স্কুল ওফ মেদিসিনগী রিসার্চরশিংনা কনাদাদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ রেজিনা, অমসুং কেমব্রিজদা লৈবা মাসাচুশিট্স ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী সাইন্টিষ্টশিংগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনখি।

অরানবা ইনফোর্মেসনশিং অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না হকশেলগী ওইবা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎহন্দনবগী মচাক ওইহল্লকপা য়াবগী ফিভমশিং লৈবনা হেল্থ প্রোফেসনেলশিংদা নুংনাংবা পোকহনবগী চাং হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরগা সাইন্টিষ্টশিংগী টিম অদুনা অসিগুম্বা অরানবা ইনফোর্মেসনশিংদা খ্বাইদগী হেন্না থাজগল্লিবা অসি কনানো হায়বা খঙদোক্লবা থিজিনখি।

মসিগীদমক রিসার্চরশিং অদুনা য়ু এসতা লৈবা মশাগী চহী ৪০-৮০গী মনুংদালৈবা মীওই ১,০২০বু সর্ভে তৌখি। মখোয়গী ফাইন্দিংশিং অদু হেল্থ সাইকোলোজি জর্নেলদা য়াওরকখিবনি।

সর্ভে তৌরবা মতুংদা রিসার্চ টিম অদুনা থেংনখি মদুদি, এদুকেসনেল লেবেল নেম্বা অমদি হেল্থক্যের ইসুশিংগী নোলেজ ৱাংপা মীওইশিংনা অতোপ্পা পার্টিসিপেন্টশিংদগী হেন্না অরানবা ইনফোর্মেসনশিংদা থাজগনবগী চাং ৱাংবা হেল্লি।

হেল্থক্যের সিষ্টেমদা থাজবা থমদবা অমদি অল্টর্নেটিব ট্রিটমেন্ট (খুদম ওইনা একুপঙ্কচর, অয়ুর্বেদ, হোমিওপেথি, নেচরোপেথি অসিনচিংবা) শিংদনা হেন্না পুক্নীং চঙবা মীওইশিংসু হকশেলগা মরী লৈনবা অরানবা ইনফোর্মেসনশিংদা থাজগনবগী চাং ৱাংবা থেংনখি।

মসিদসু নত্তনা, তোপিক অমগী মরমদা তৌরকপা অরানবা ক্লেইমশিংদা থাজবা মীওইশিংসু অতোপ্পা হকশেলগী টোপিকশিংগী অরানবা ইনফোর্মেসনশিংদা থাজগনবা ওইরম্মী।

ষ্টদি অদুগী লুচিংবা ওথর ওইরিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরাদো স্কুল ওফ মেদিসিনগী পি ঐচ দি লোরা দি. স্ক্রেররনা হায়, অফবা হেল্থক্যেরদা অচুম অরান ময়েক শেংনা খঙদবা ইনফোর্মেসনশিংনা অপনবা পী। মরমদি মসিনা মীওইববু লায়না-তিলনাশিংদগী ঙাকথোক্লবগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহন্নিংদে অমদি মখোয় নারক্লবা মতমদসু অনা লায়েংগী মতেং লৌবা ঙমহন্দে। অরানবা ইনফোর্মেসনশিংদা খ্বাইদগী হেন্না থাজগল্লিবসি কনানো মশক খঙদোকপনা অসিগুম্বা ইনফোর্মেসনশিং অসি শন্দোকপগী মরমদা মমুৎ তানা খঙবা ঙমহনবা য়াই অমদি খুদোংচাদবা অসি কোক্লবগীদমক অনৌবা থৌরাং-থৌশিলশিং পুথোকপা ঙম্বা য়াই।

সর্ভে অমনা রিপোর্ট তৌবগী মতুংইন্না মালেমগী ওইনা হেল্থক্যেরদা থাজবা থম্বগী চাং চাদা ৪ হন্থরক্লে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা অমেরিকান মেদিকেল এসোসিয়সনগী প্রসিদেন্ট পেট্রিস এ. হেরিসনা হায়খিবদা, থাজবা ৱাৎপা নৎত্রগা অকিবনা মরম ওইরগা থোকহল্লকপা মিসইনফোর্মেসনশিং থেংননবগীদমক হেল্থক্যের কম্যুনিটি অমসুং পব্লিকনা থাজবা য়াবা সোর্সশিংখক্তদগী ইনফোর্মেসনশিং লৌগদবনি অমদি শ্যের তৌগদবনি।

মিসইনফোর্মেসন সাইকল অসিবু করম্না থুগাইগদগে হায়বগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙনবগীদমক অহেনবা রিসার্চশিং মথৌ তারগসু ডা. স্ক্রেররনা হায়, হেল্থ মিসইনফোর্মেসনশিং ওনলাইনদা শন্দোকপা অমদি মসিনা ইনফ্লুএন্স তৌবগী চাং হন্থনবা রিসার্চরশিংনা ফাইন্দিংশিং অসি শীজিন্নদুনা অনৌবা অমদি ইভিদেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা থৌরাং-থৌশিলশিং দিভেলপ তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসিনা মশিং থীঙমদ্রবা পুন্সি কয়াবু কনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি।

নুপী শুমাং লীলা য়েংবা লাকপা মীয়ামগী মশীং হেনগৎলক্লে, লীলাসু নোপ্পমক্তি ওইরক্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস):

হৌখিবা চহীশিংদা নুপী শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল পাঙথোকপদা ভাবোক ইয়াও য়াওদনা ঈংনা চিক্না পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু হন্দক্কী নুপী শুমাং লীলাগী ফেষ্টিভেল অসিদদি য়েংবা লাকপা মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা খুবাক খুবীননবা ভাবোক য়াওরক্লে। নুপী লীলাসু নোপ্পমক্তি ওইরক্রে। মসি নুপী শুমাং লীলাগী মতিক-ময়াই হেনগৎলকপনি হায়না লৌই।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরক্লিবা নুপী শুমাং লীলা অথোই-অহেন তান্নবগী নীনি চনবদা মৈতৈ লৈমরোল আর্ট পর্ফোমিং সেন্টরগী *পিদোন্নু* অমসুং দি থাংজিং আর্ট এন্দ কলচর একাদেমীগী *খম্লুং য়াইদিং কোনু* উৎখ্রে।

অহানবা ওইনা উৎখিবা মৈতৈ লৈমরোল আর্ট পর্ফোমিং সেন্টরগী পিদোন্নু হায়বা লীলা অসি হাওবম তোম্বনা ইরগা চজিং দেবেননা তাকপী তম্বীবনি। পিদোন্নু লীলাগী ৱারীদা চোথে নিংথৌগী খিয়াং পুনেম অমদি মোইরাং নিংঙোল খোংজোমনুবী অনীগী মমোম পিদোন্নুনি। চিংখৈ নিংথৌ অমদি পিদোন্নু অনীগী অচেৎপা নুংশি মরীবু শেৎন-খায়নহনবদা য়ুম্ফম ওইবা লীলানি। অফবা ৱাখল য়াওদবা, ফত্তবদা মথৌদাং ওইরক্লবা তোলোমখোম্বনা লৈমা ইনুংচাইবীদা ফুরুপ-কাঙলুপকী খেন্নবা মীৎয়েংগী খুদোংচাবা লৌদুনা চিংখৈ নিংথৌগা খায়দোক্ননবা শীন্দুনা চীনগাইৱা হায়খি। অদুবু খোংজোমনুবীদি চোথে নিংথৌগী মচা ওইজরবসু ওকচিল্লাকপা নোংলৈ পান্না মচল শক্লা য়োকচদুনা মপুং মরৈ ফাদুনা চিংখৈ নিংথৌগা য়ুম্বানমিন্নদুনা খোইজিখাদা সনা ঈগী মীতমখিবা মতমনি। পাখোং পুখোং খঙদবী ফুরুপ মশক খঙদবীনি হায়দুনা পিদোন্নুবু মোইরাং লৈমা ওইবা য়াৱোই হায়না তান্থোকপীখি। মতম খরা লৈরগা চোথে নিংথৌনা মোইরাং লৈবাক্তা লান্দাদুনা চিংখৈ নিংথৌ অমসুং লাল্লোই খরা ফাদুনা থমখি। চিংখৈ নিংথৌগী য়াইবীগা মোইরাং লৈমগী লুরেনগা ওন্নসি হায়না লাউথোকখি। পাউসি তাবদগী পিদোন্নুনা চিংখৈ নিংথৌবু কন্ননবগীদমক মশামক মোইরাং লৈমনি হায়না শক্তাকচদুনা লুরেন কৎখি। মচানি খঙদনা চোথে নিংথৌনা পিদোন্নুগী লুরেন ককখি। তুংদা মচানি হায়বা খঙখি। মচাদা পীখিবা লীল্লাং পরেং অদুবু উরুরগা নিংঙমদবগা লোয়ননা তেংথা নাউওইখি। পিদোন্নুনা পোকচরম্বা মচাবু নাওকোঞ্জখিবা লীলানি। চীংমী-তন্মীগী মরীদা মচা-মচল শক্লা নাওকোঞ্জবগী পুৱারীগী ৱারী লীবা লীলা ওই।

নুপী লীলাগী খোঙজেলদা য়াঙবা মতৌ লোয়নদুনা শান্নবা লীলাগী মশক লোয়নদুনা চৎখিবা লীলাদি ওইখি। নুপী শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল অথোই অহেন তান্নবগী লন্বীদা চঙশিল্লিবা লীলাগী মপুথোক অমগা লোয়নদুনা চৎপা লীলানি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি চিংখৈ নিংথৌদা কে ঐচ থোইবীসনা, চোথে নিংথৌদা ঐচ সরিকা, তোলোমখোম্বদা টি সর্দা, নোংলৈপান টি ঐচ সত্যমলা, তাবুং শাফবদা ৱাই শায়া, সেলুংবদা বিরোহিনি, কৈশুমহঞ্জবদা এন মেমচা অমসুং লাম্মী খরদা এন জিবনলাতা অমদি কে মধুবলানা শক্তম লাংখি। নুপীগী শক্তমদা পিদোন্নুদা টি ঐচ লাইজিংখোম্বী, খোংজোমনুবীদা কে ঐচ নন্দিনি, মোইরাং লৈমদা এল মঙ্গীতা অমসুং তোলহাইবীদা এল থাজনা শক্তম লাংখি।

অনীশুবা ওইনা উৎখিবা দি থাংজিং আর্ট এন্দ কলচর একাদেমীগী লীলা খম্লুং য়াইদিং কোনু উৎখি। লীলা অসি নোদিয়া ঙাঙোইচানা ইরগা মাইরেম্বম প্রোমেনা তাকপী তম্বীবনি। অদুগা ঈশৈ-নোংমাই লমজিংবনা এম উত্তমকুমারনি।

লীলাগী ৱারীদা খম্লুং কিকোইগী তাল্লোই অতোনবী খম্লুং য়াইদিং কোনুনা তাইবংদা খোঙদারকপগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা লীলানি। মোইরাং কংলৈরোলগী থাংজিংগী কুম্হৈ ওইবদা ১১শুবা নিংথৌ নুংনাং তোম্বনা পানবা মতমদনি। মতমদুদা পুলৈরোম্বা মচা পোকচদবদগী থাংজিংদা নীজদুনা শাম্বা নহা, নুংনাংতোম্বা ফংজখি। অদুগা নিংঙোল লাকপগী মচা খম্লুং য়াইদিং কোনু ফংজখি। য়াইদিং কোনুনা তাইবংদা খোঙদাবা মতমদা খম্লুং কিকোইনা য়াবীখি। অদুবু শরি ৱাশক অমদি লোয়নখি। শরি ৱাশক অসিদা খম্লুং লৈবাক্তা হৌবা কৌনুবী লৈ ঙৌনা শাৎলিবা অসিনা অমুবা ওন্দুনা শাৎলকপা মতমদা য়াইদিং কোনুগী শাজৎ হোংলে হায়বা খঙগনি হায়না ৱাশক্লখি। তাইবংগী চৎনবী নুংশি মশুংলাং অপাম নুংশিগী ঈচেলদা য়াইদিং কোনুদসু থুংলরে। শাম্বা নহা, নুংনাংতোম্বগা নুংশি মরী লৈনরক্লে। মসিনা মরম ওইরগা খম্লুং লৈবাক্তা কৌনুবী লৈ অঙৌবদু অমুবা ওইনা শাৎলকপদগী য়াইদিং কোনুবু খম্লুং লৈবাক্তা পুরকখি। মতমদুদা শাম্বা নহা নুংনাংতোম্বসু খম্লুং লৈবাক্তা থিবা লাকপদা চঙহন্দ্রে। অদুবু য়াইদিং কোনুনা হায়জবদগী চঙহন্দুনা মশক য়েংবদগী নুংশিদুনা শাম্বা নহা নুংনাংতোম্বগা য়াইদিং কোনুগা তাইবংদা হন্দুনা ৱাইথুংনরো হায়দুনা থাবীরকখি।

কোনুবী লৈরাং অসি হৌজিক কোন্বীরৈ হায়না মিংগৌনরে হায়না লৈশক পুথোকপা লীলা অমসুনি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি খম্লুং কিকোইবদা এ উমাবতি, শাম্বা নহা নুংনাংতোম্বদা কে জয়েন্তিবালা, তাংখোম্বদা এম পুজা, পুলৈরোম্বদা কে ইবেয়াইমা, নিংঙোল লাকপদা আর কে তম্পাক লৈমা, লমগনবদা এন প্রিতি চনু, অমাইবদা কে ইবেয়াইমা, খুল্লাকপদা এন রাশিলৈবী অমসুং লাল্লোই অনী ওইনা এম পুজা অমসুং অমসুং এন রাশিলৈবীনা শক্তম লাংখি।

নুপীগী শক্তমদা খম্লুং য়াইদিং লৈমদা এম বেবী লিংজেন, ৱাবিতোনদা ফিলেম সজনা, হঞ্জবীদা টি মনি, অমাইবীদা লক্ষ্মীদাস, লৈচমনুদা এম সঞ্জনা অমসুং ইৱাকহনবীদা য়াম্বেম রোসনিনা শক্তম লাংখি।

নুপী শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী অথোই-অহেন তান্নবগী হুন্নী চনবা নুমীৎ মার্চ ১০দা মোংশাঙ্গৈ ৱিমেন শুমাং লীলা কাঙলুপকী *কৈবুল লমজাওগী তম্নলাই* অমসুং দি কংজবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম ড্রামা এসোসিএসনগী *লমন* উৎকনি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

লম্বী-থোংগী মতাংদা চিনাগী মতৌ তমদুনা লমদম অসিদসু শেমগৎ-শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে

হায়নৈ লৈবাক অমা চাওখৎপদা লম্বী-থোংগী ফীভম য়াম্না মরুওই। মসি খজিক্তগা নত্তে অসুক্কি মতিক মরুওই। অদুগা হকচাং ফনা লৈহনবদসু লম্বীগী ফীভম্না নাকোইননা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌরি। ঐখোয়না লম্বী ফবা হায়রগা লম্বীদু কোয়লাস থানা থাবদু খক্তনা য়াদে। লম্বী নাকনগী ফুটপাথ খোঙ লম্বী চৎফম, সাইকল থৌফম ফজনা শেম্বিবগা লোয়ননা উ-ৱা নিংথিনা মতাইদা থাবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা মফম-মফম চানা পার্কিং স্পেস ফজনা পীবা য়াম্না মরুওই। মসিদনি অতোপ্পা চাওখৎপা লৈবাকশিংগা ঐখোয়গা য়াম্না চাওনা খেন্নরিবা অসি। খুদোংথীবা এক্সিদেন্ট থোক্তনবা হোৎনবা মতমদসু লম্বী মওং-মরিল অমা চুম্বা, ট্রাফিক ফজনা চলাইবা য়াম্না মথৌ তাই। ঐখোয়গা য়ুমথংনরিবা লৈবাক চিনাদা অসুক্কি মতিক য়াম্না ফজনা, চুম্না-চুম্না লম্বী লৈ। লোয়ননা সমুদ্রগী মথক্তা শাবা থোং, ঈশিং মনুংদা শেম্বা অন্দর ৱাটর টনেলনচিংবা কয়া লৈরি। মখোয়গী ওইরিবা লম্বীগী ফীভম অদু চহী ১০০-২০০ মতুং ফাওবা করিমত্তা শেমদোক্লিংঙাই উবা ফংদে। মরম অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু মখোয়গী তুংগী ওইবা ফজরবা লম্বী শেম্বগী পোলিসিশিং অদু মতৌ তম্বগী মথৌ তাই হায়না খল্লি।

❒ **প্রেম কৈশাম, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা**

দ্রগ কেসতা চেন্নবগী ফাররুবা মীওইশিং মীদিয়া মাংদা পুথোকপদা ময়েক শেংনা উহনবিয়ু

ঙসি-ঙসিমক লৈঙাক্না ৱার ওন দ্রগসকা মরি লৈননা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং থোইদোক্না শিংথানিংঙাই ওই। অদুবু হীরম অসিগা মরি লৈননা মরাল লৈদুনা ফারুরবা মীওইশিংবু হায়কোর্ট অমদি মীদিয়াদা পুথোরকপা মতমদা মখোয়গী অশেংবা শক্তমশিং মীয়ামদা শেংনা উহনদ্রিবগী (মমাইশিং লোৎশিনবা) ৱাম্থোক করিনো? মখোয়গী অশেংবা শক্তমশিং অমদি লৈফমনচিংবা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লগদি মীফত্তশিং অদুগী ইমুং-মনুং, মরি-মতাশিং অমত্তদা লৈঙাক্কী ওইবা থৌরমশিংগী মরুওইনা শ্রাধ, ফিরোই, চাকচা-হৈজানবা, লাইনিং-লাইশোন্নচিংবদা বার্তন তৌদদুনা (সোসল বোইকোট তৌদুনা) ইকায়বা পীরগদি ফত্তবা তৌরুরবা মীওইশিং অমদি তৌগে খল্লুরিবা মীফত্তশিং অদুসু মীয়ামগী চৈরাক কীবদগী দ্রগ সপ্লাই তৌদনবগী ওইথোকপসু লৈগনি। লোয়ননা লৈঙাক্না মীয়ামদগী মতেংসু ফংগনি। নাকল অমরোমদা মীরোৎ ওইখ্রবশিংনা তৌবা অরোনবা কয়াদি লৈঙাক অসিনা মতম খরা চংজরবসু ফারগা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহনসি। অদুগা চীংদা পাকশন্না থারিবা পোপি পান্বী থাবদা চেন্নবা মীওইশিং অমত্তা ঙসি ফাওবদা লৈঙাক অসিনা ফারগা চৈরাক পীবগী মমিসু তাবা উদ্রি।

❒ **টিঐচ বিরেন, নিংথৌখোং-১৪**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

'ইভিক্সন তৌরকপদা মীয়াম্না অয়েৎপা পীরোই'

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পুখাও লাইফমদা লৈবা ষ্টেট লেন্দগী শরুকশিং খোপচিনখিবা অদু ইভিক্সন তৌরকপদা খুঙ্গং অসিগী মীয়াম্না অয়েৎপা পীরোই হায়না পুখাও লাইফম ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এন জি ওপেননা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী জুন ১দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সগোলমাং এস দি সী সার্কলগী মনুং চন্না লৈবা ভিলেজ নম্বর-১৩ পুখাও লাইফম অসিগী খোপচিনখিবা লম্দাংশিং হায়বদি ষ্টেট লেন্দগী শরুকশিং খঙদোক্লনবা এস দি সী সগোলমাংদা অইবা চে থাখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ২০, ২৭ অমসুং ফেব্রুৱারী ৩দা দিমার্কেসন তৌবীখ্রে। মদুগী মতুংদা লম খোপচিল্লিবশিংদা খোপচিল্লিবা লম অদু থাদোক্লবা খঙহনখি। লোয়ননা মার্চ ১দা ইভিক্সন তৌননবা ওর্দর থোরকখি।

হীরমসিগা মরী লৈননা হৌখিবা মার্চ ৬তা খুঙ্গংগী জেনরেল বোদি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা দি সী ইম্ফাল ইষ্টনা থোরকপা ইভিক্সন ওর্দর তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ষ্টেট লেন্দগী খোপচিল্লিবা শরুকশিং ইভিক্সন তৌবদা খুঙ্গংগী মীয়াম্না অয়েৎপা পীরোই হায়বা ৱারেপসু অমত্তা ওইনা লৌমিন্নরে। অথুবদা ইভিক্সন ওর্দর অদু থবক্তা ওন্থোকপীরো।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উয়ুম্পোক্কা তায়নবা ৱাখোং খুনগী য়ুম ৫ রোম্না খোপচিন্দুনা লৈশিল্লিবা একর ২ রোম চাউবা মফম অসি রিভেরিফেকেসন তৌনবা ওর্দর থোরকপগীদমক দি সী ইম্ফাল ইষ্ট, এস দি ও শওম্বুং অমসুং এস দি সী সগোলমাং অমদি মন্দলশিংবু থাগৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০৩।২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা;
ফাইরেলগী ২৭ নি পানবা।

মেষ: মীয়ামগী মতেং ফংগনি অমদি ইমুং-মনুং ৱাতান্নবা পাংবা থবক খুদিংসু লেম্নমক মাই পাক্কনি। নচাক নরলদা য়েংশিনবদি লৈ, অঙম্বনসু য়েংই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: অফবা মরুপ ফংবনা অমদি হনবা লৈতনা হোৎনজবগী মহৈনা খুৎলোইনা থৌ পাংগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই। য়েৎনবা লাকশিনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিথুন: হকচাং নুংঙাইজরনি অমদি লাইবক থোইনা ফরনি। অনৌবা থৌরম চিংনদনা পাংবা য়াগনি। মীংচৎসু ফংগনি। অদুবু অশাওবনা কাইনহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কর্কট: নিংবা থুংবা ঙসিসু লৈ, ৱাখল থোক্কনি অদুনা খন্থরগা থৌ পাংউ। শোইদনা মাই পাক্কনি। অরুবা থৌরম অমদি ইমুং মনুংগা ৱাখল তান্নদবা খরদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

সিংহ: ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগনি, চাদিং হন্থহনবা ঙমগনি অমদি মীচং খোম্বা য়াগনি। অদুবু মরৌ লৈবনা থবক্তা য়েংশিনবা লৈগনি। নাপলদি থাদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা খরদি লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: লাকচবীনবসু লৈরোই, মাংলোমদা চংশিল্লু, চাদিংসু হন্থহনবা ঙমগনি অমদি নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি। নচাক নরলদি চেকশিন্দবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা: নিংথিনা পোরম য়াৎপা থবক অমদি নথক থোংবনা শিন্নবা থবক্তমক পাংনবা হোৎনৌ। অফা-অপুন অমদি য়েৎনবা য়াবা মরমদি য়াওদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: য়েৎনবসু ঙমগদবা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেংদগী অফবা মফমসু কঞ্জবা ঙমগদবা নুমিৎনি। ইমুং-মনুংদা চেকশিন্দবদগী মাংবা য়াবা লৈ, কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: লাই-গুরুনা য়াম্না চানবীগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওগনি। মাংলোমদা চংশিল্লু, মীনা ইনশিনবা ঙাইগনু, মাই পকপা হায়বসে নঙোন্দা লৈরবনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর: হরাওবা, মীচং হেনগৎক্কদবা অমদি অশা লাকপা নুমিৎনি। ৱা য়াম্না ঙাংবদি চোপ্পা য়াবা লাক্কনি অমদি মরুপ-মপাং খনবা হৈত্রদি নুংশাথিবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ শংবা/কিসমিস।

কুম্বা: মীংচৎ ফংই অদুবু য়েৎনবদি লেপতে, নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাই অমদি তুংগী পোরম য়াৎথোকপা কান্নগনি। অহৈ অশিংদি শাগনু, কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিন: শেল-থুম অমদি ওইজবা থিবগী লমদা মাই পাক্কনি। লম চৎপা মহৈ য়ানগনি অমদি থবক পাংগনি। অদুবু নক্লবগা কাইনদনবা খরসু কৎথোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- অশা লাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।